# ঈনাৎ-মীনাৎ

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

ইশাগী ঈনাৎ ইশা-ইশানা শৌগৎপা, ইকায়খুম্নবাা য়াম্না মথৌ তাই। মালেমসিদা পূন্না নুংশিননা হিংমিন্নগে হায়রবদি ইশাগী ঈনাৎপু ইকায়খুম্নবা অসিগুম অতোপ্পগী নাৎপুসু ইকায়খুম্নবা উৎপা য়াম্না মথৌ তাই। মসিবু কলচরেল লিটরেসি হায়না খঙনৈ। ঙসিগী দিজিটেল এজ খুমাঙ চাওশিল্লবা মতমসিদদি অখুবা মীৎয়েংদা হিংবা য়াদ্রে, হায়বদি মালেমগী মফম কয়াদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা নাৎ কয়া অসিবু ইকায়খুম্নবা উৎপা মথৌ তারে। মসি নাৎ খক্তা নত্তে তোঙান তোঙানবা মালেমগী মীওই কাঙলূপ কয়ানা ইন্দুনা চৎনরিবা লাইনীং লাইশোল অমদি লোলসুনি। অসুম্না অমনা অমগী নাৎ, লাইনীং লাইশোল অমদি লোলনচিংববু ইকায়খুম্ননা চৎলবদি মালেমসি ঈংনা তপ্পা পানবা ঙমগনি।

ঙসি ফেব্রুৱারী ১১সি চৎলিবা চৈচৎ ২০২১গী ওইনা চাইনিজ ন্যু য়র থোক্লে। মালেমগী মফম খুদিংমক্তা লৈরিবা চাইনিজ হায়রিবা কাঙলূপ অসিনা চহী হৌবগী থৌরম অসিবু পাঙথোক্লি। হন্দক্কী চহী অসি Chinese Zodiac sign গী মতুংইন্না year of the Ox ওইরে হায়বদি ষণগী চহী তারে। Chinese zodiac sign সি শা মখল ১২না মহুৎ শিল্লি। খ্বাইদগী শাংনা Chinese Lunar New Year পাঙথোকপসি চাইনাদনি। চাইনাগী হেক মথংদা টাইৱান্দসু য়াম্না শাংনা পাঙথোকই থৌরমসি। চাইনাদা চহী হৌবগী হরাউ নুংঙাইবগী থৌরম অসি মহৌশাগী (ত্রেদিসনেল্লি) ওইনা চয়োল অনী চূপ্পা পাঙথোকনৈ অদুবু ওফিসল্লি ওইনদি চয়োল অমা ওইনা পাঙথোক্নে। টাইৱান্দা Chinese Lunar New Year অসি চয়োল অমা চূপ্পা পাঙথোকই। হন্দক চহীসিগী ওইনা ফেব্রুৱারী ১০দা হৌরগা ফেব্রুৱারী ১৬তা লোইশিনগনি।

ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরদা পোকচদুনা মফমদুদা চাউজরক্লবসু টাইৱানগী সিটিজন অমা ওইনা, টাইৱানগী চাইনিজ নিংঙোল অমা লৌবনা Chinese Lunar New Year ঐহাক্কী ইমুংসু চহী খুদিংগী পাঙথোকই। চাইনিজশিংগী চহী হৌবগী চয়োল অমা লৈঙাক্কী অমদি মরন্নাইগী ওইবা ওফিসশিং শিন্থা লেপ্পী। য়াম্না মরু ওইবা নুমিৎ অনীখক খনগৎপা তারবদি অহানবা নুমিৎ হায়বদি চহী হৌবা নুমিৎ অসিনি। নুমিৎ অসিদা ময়ূম মকৈ পানখ্রবী মৌগী শীংদা চনখ্রবী মচা নিংঙোলশিংনা মপাম-মপামদা লাক্তুনা মখোয় মখোয়গী মমা-মপাশিংদা অচা-অথক পুরকই অমদি চাকলেন অমা চামিন্নে। অহানবা নুমিৎ অসিনা নিংঙোলশিংগা মমা-মপা অমদি অতৈ ইমুং-মনুংগগী মীওইশিংগা পূন্না চামিন-থকমিন্নবা, পূনবা হায়বা তারে। অদুগা মথং অনীশুবা নুমিৎ অসিনা পিবা ওইবশিংগী নুমিৎ ওইরে, হায়বদি মমা-মপাশিংদগী তোঙান্না লৈখিবা পিবাশিং লাক্তুনা মমা-মপাশিংদা অচা-অথক, অথুম-অহাও পুরক্তুনা চাকলেন অমা চামিন্নবা অমদি মমা-মপাদা শেলগী ওইবা খুদোল পীবা অসি তৌনৈ। নিংঙোলশিংসু শেলগী ওইবা খুদোল অসি পী। মসিবু “Hong paau/red envelop” পীবা হায়না খঙনৈ। হায়বদি অঙাংবা চেগী এনভেলপতা শেল হাপ্তুনা পীবা হায়বনি।

চাইনিজ Lunar New Year দা অঙাংশিংনা খ্বাইদগী নুংঙাইজবসি অঙাংবা এনভেলপ ফংবা অসিনি। ইমুং অমদা লৈরিবা অঙাংশিং অমদি মচানুপা অমদি মচানুপীশিংগী মচাশিং, অঙাং খুদিংমক হায়রিবা শেল য়াওবা অঙাংবশিং অসি পীবগী চৎনবী লৈ। মখোয়গী চৎনবী অসি ইন্দুনা চহী খুদিংগী চাইনিজশিংগী চহী হৌবদা ঐখোয় ইচাশিং অমদি ঐহাক্কী লোয়নবী Chen Nan-Tai গী মৌপ্বা অমদি মবুংগী মচাশিংবুসু শেল য়াওবা অঙাংবা এনভেলপশিং অসি পীরিবনি। লোয়ননা Chen Nan-Tai গী অপোকপী মমা ঐহাক্কীনা ইনেমবোক্তসু শেল য়াওবা অঙাংবা এনভেলপসি পী। অঙাংবা শেল য়াওবা এনভেলপ পীবসি শোয়বা য়াদে। ইকুবোকসু পী। অদুবু ইকুবোক্তি লৈত্রবনিনা পীদ্রে হৌজিক্তি।




টাইৱান্দা লৈদুনা চাইনিজগী নাৎ অসিগী শরুক অমা ওইনা চাইনিজ ন্যু য়র থৌরম অসি চহী খুদিংগী পাঙথোকপগুম ঐখোয় ইমুংদি ইরমদমগী চৈরাওবসু পাঙথোকই। মতৌ অসুম্না ঐহাক্কী লোয়নবী চনীংলৈমনা চাইনিজ নিংঙোল অমা ওইজরবসু ঐহাক্কী হৌরকফমগী নাৎকী ওইবা চৈরাওবা, চাক্কৌবা, ইমোইনু ঈরাৎ থৌনিবনচিংবা ঈনাৎকী ওইবা থৌরমশিং অসি পূন্না পাঙথোকমিন্নরিবনি। ঐহাক্না মীতৈনি, মহাক্না চাইনিজনি হায়বগী খেন্নবা থমদনা অমনা অমগী নাৎপু ইকায়খুম্নবা উৎনদুনা হিংমিন্নে নুংশিননা। মসিমক্লি  ঐখোয় খুদিংমক্না কাউরোইদবা।

অহানবা নুমিৎতা ইনেমবোক্কী ময়ূমদা চৎতুনা চাকলেন অমা চামিন্নরবা মতুংদদি ঐখোয়না লেমহৌরিবা নুমিৎ তরুকনি অসিদি কোয়বা চৎপা, পোত্থাবা য়ারে। ঐখোয় ইমুংসু পূন্না কোয়থোকই, মরু ওইনা টাইৱান্দা। Chinese Lunar New Year থৌরম অসিগী ওইনা ইচানুপা ননাওসু মহাক্কী মেরিন কোর্পসতা আর্মি ওইনা লৈবদগী শিন্থা লেপ্তুনা য়ূমদা নুমিৎ তরানিগী ওইনা হল্লকই। পূন্না ঐখোয় ইমুং মনুং ঐখোয় পূন্না তরুকসু কোয়বা চৎলি ঐখোয়গী কার তোংদুনা।

লোইশিল্লকপদা, 2021 Chinese Lunar New Year না লাকপদা ইরমদমগী ইরৈচা খুদিংমকপু নুংঙাই পাউজেল পীজরি, লোয়ননা চাইনিজশিংগী থবক কন্না শুবা, ৱাদি ইঙাঙ ঙাঙদবগী মতৌসি তমজদুনা ঐখোয়সু মাঙদা চঙশিন্নবগা লোয়ননা, অতোপ্পগী নাৎপুসু ইকায়খুম্নবা উৎতুনা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবা ঙম্নবা হোৎনমিন্নরসি।●

---

# লায়রবগী মরুপ লাইরিক, লাইরিক্তি লমজেল য়াওখ্রে

- এম এস মঙাং -

মমা-মপা ওইবশিংগী অমত্তা ঙাইরবা আশাদি মচাবু লাইরিক-লাইশু হৈহনবা হায়বসিনি। আশা অসিগী মরুমদা চোকথবা লৈতনা, তূম্বা মচেৎ, চাবা মচেৎ, অৱাবা কয়া খাঙদুনা হোৎনবদি লেপ্তে। শেল য়াম্না থোকচদবা শেন্থোক নেমজবা ইমুংগী মরুপতি - লাইরিকনি খঞ্জরি। মসিনা অৱাবা কোক্কনি থাজরি। শেন্থোক লন্থী চাউনা লৈবা ইমুংগীসু মসিমঙাই মরুপতি চপ মান্নে। মরুপ অনীসিগী খেন্নবা খরদি লৈফম থোকই। মসিনা কয়ামুক হোংহল্লি, তিন য়োৎথদুনা য়েংদবা য়ারোই।

নেসনল ষ্টেটিষ্টিকেল ওর্গনাইজেসন (এন এস ও) না ফোঙলকপা সর্ভে রিপোর্টকী মতুংইন্না ইন্দিয়াগী রুরেল এরিয়াদা কিলোমিটর অমগী মনুংদা প্রাইমারি স্কুল লৈবসি চাদা ৯২.৭ ওইরি হায়না ফোঙলি লোয়ননা অর্বান এরিয়াদা চাদা ৮৭.২ ওইরি। মসিমক্তি য়াম্নমক নুংঙাইবা অমদি মাঙলোমদা চঙশিনবগী খুদমনি। অদুমকপু লৈরিবা স্কুলশিংসিদা মহৈরোয় কয়ামুক তন্লি লোয়ননা মখা তানা তম্বদনা কয়ামুক খুমাঙ চাওশিল্লি হায়বসিগী মায়কৈদা নৈনদুনা য়েংমিন্নসি। নেসনল সেম্পল সর্ভে (এন এস এস) গী শরুক অমা ওইনা জুন, ২০১৭তগী জুলাই ২০১৮ ফাওবগী মনুংদা চথবা সর্ভেদা পল্লিবদি গ্রেজুয়েট অমদি অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্বা ফংবসি রুরেল এরিয়াদা শুপ্নতগগী ৫.৭% ওইরি অমদি অর্বান এরিয়াদনা ২১.৭% ওই হায়না পীরি। থমজরিবা দাটা ময়ামসি ইন্দিয়াগী অপূনবা দাটানি। মসিদগী খিত্তং পিকশল্লগা কংলৈপাক (মণিপুর) গী অমুক য়েংবা মতমদসু থোইদোক্লা পেন্নীংঙাইদি ওইদ্রি। শেন্থোক নেম্বা ইমুং অমগী মচাশিং মহৈ মশীন তম্নবা অমদি ময়ামগা মান্নমা হিদান্নবা ঙম্নবা হোৎনবদা কুরোল হুরে। প্রাইভেট ট্যুসন/কোচিং তৌবগী চৎনবী তঙাইফদবগী  মওং অমদা লাক্লিবা শাফু অসিনা য়ৈবদা এদ্যুকেসন সিষ্টম অসি তোঙানবা মায়ওন অমদা পুরক্লি। ট্যুসন/কোচিং তৌদ্রবদি ময়ামগা হিদান্নবা য়াওবা ঙম্লোই হায়বগী ৱাখল্লোন অমা মমা-মপা ওইবশিংদা চুরকপগুম তৌরি। প্রাইভেট ট্যুসন থিন্নবা, তমহন্নবা হোৎনবদা মমা-মপা তূম্বা য়াদবগী লায়না পাক শন্না লৈরদ্রা হায়বগী চিংনবা লৈতবা নত্তে। এন এস এসগী সর্ভেদা ময়েক শেংনা পল্লিবদি মহৈরোয় ১৯.৮% দি প্রী-প্রাইমারিদগী গ্রেজুয়েসন ফাওবদি প্রাইভেট ট্যুসন/কোচিং তৌবা থেংনৈ হায়না ইরি। অমরোমদা এন এস ওগী রিপোর্ট ওন এদ্যুকেসন্দা, “One in three high schoolers get Private Coaching” হায়না ময়েক শেংনা হায়রি। চৎলিবা খোঙচৎসিদা ফমদুনা লৈরম্বা ‘এদ্যুকেসন’ পন্থুংফম খঙদ্রিবা লমজেল অমদা শরুক য়াদুনা য়াঙনা চেনখ্রে। লমজেলসিদা শেন্থোক লৈজদবা ইমুংগীনা করম্না মরুপ ওইগদৌরিবা?

‘‘ট্যুসন থিনবা চৎখিবা মমা-মপাশিং লৌন-লৈনবা য়াওরক্তুনা ফেমিলি এক্সপান্সন, ফেমিলি প্লান্নিং মায় পাক্লবা হোৎনরক্লে’’ ফাগিদি ওইরম্বা য়াই মরৌ লৈনা হায়রিব্রা নৈনবা চুমগনি, তুংগীদমক। মমা-মপা ওইবশিংনা চেকশিন্না য়েংশিনগদবা মতমসিদা মহৈ তন্লিবা মচাশিংনা মখোয়বু শেন্নবগী ফীভম য়ৌরক্লবদি - ‘লাইরিক্লা মচাশিং তন্লিব্রা, মচাশিংনা অহলশিং শেন্নরিব্রা’’ হায়বগী ৱাহং লাক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। মসিমক্তি থৌদাং য়াওদবা অতাক অফোংনবনি হায়না লৌবদা লাল্লোইদ্রা খল্লি।

লাইরিক তম্বদা শেল চঙবগী চাং অদুক্কী মতিক হেল্লে। প্রাইভেট ট্যুসন/কোচিংদি লেপ্পু হায়বা য়ারোই। থিংজিল্লবসু ৱা থোক্লরক্কনি, থিংনা-থিংনা হেন্নদুম শেন্দাল লন্থী নুংভাইনবা শিনবীবা তাগনি মরমদি মমা-মপাশিংগী ৱাখল্লোন্দা কোচিং তৌদ্রবদি কম্পিটিসন য়াওবা ঙমদে, মকোক থংবা ঙমদে হায়বগী ৱাখল্লোন লৈরি। মসিনা এদ্যুকেসনসি ক্বালিটিদগী ক্বান্টিটিনা হেন্না লূম্না চৎলব্রা হায়বগী ৱাহং লাক্লি। এগজাম ওরেন্টেদ এদ্যুকেসননা মেজোরিটি রোমদা খুমাঙ চাওশিনবগী মমি তারকপগুম তৌরি। মার্ক ৱাংবনা চুন্লিব্রা মশাদা হৈহৌবনা চুন্লিব্রা অনীমক মাগী-মাগী মীৎয়েংদা লোইনা চুম্মী। য়েনবীগা য়েরুমগা অনীমক লোইনা হান্নে হায়বদুমক তাদুনা তোক্কনি।

- দেল্লি গভর্ণমেন্ট স্কুল, জপানগী ভোকেসনেল এদ্যুকেসন তমজনীংঙাইনি। মমিংগী ভোকেসনেল কোর্স মরাং কায়না হাংবনা সর্টিফিকেট মরাং কায়নবনি, সর্ভে দাটাদা মশীং য়াম্নবনি। শিনফম পীসি, কান্নগদবদা শীজিন্নসি।

- ফিল্ড এদ্যুকেসন/প্রেক্টিকেল এদ্যুকেসন পূক্লিং থৌগৎসি। ৱর্ক কলচর শাগৎপদা ফোর্মেল এদ্যুকেসনগা তুনা চৎমিন্নদ্রবদি মায় পাকপা ৱাগনি। মখোঙদগী ঈশিং চাইবীরকপা চঙই নৎত্রবদি ‘টেবল লৌ-উ’ তাদুনা তোক্কনি।

- হ্বাই কলর, রেদ কলর, ব্লু কোল্লর জোব ময়েক শেংনা তাকপীবা মতম ওইরে। মসিমক শেংনা খঙখিদবা তারগদি তুংগী শুরোলদা নুংশি চান্ননা, খুন্নাইলোন খঙবা, শিনফমগী থৌগল্লোন কায়রক্লবগী মচাক ওইগনি। মখোয়বু তাকপীহৌসি তন্থীহৌসি। মখোয়না খুন্নাইগী মশক ওইগদৌরিবনি।

এদ্যুকেসন চাওখৎনবা হোৎনবদা, এদ্যুকেসন সেক্টর খক্তমক চাওখৎপা য়ারোই। খুন্নাইগী শেন্মীৎলোন চাওখৎহনবা চঙই, ৱাখল্লোন চুমথোকপা মরু ওইরি। ‘‘স্কুল চাওখৎহনসি’’, ‘‘স্কুল ফগৎহনসি’’ লাউবনদি মৈতৈগী চৎনবীদা ‘‘শুমাং লা’’ তাথোকপগুম তাদুনা তোক্কনি। মালেমগী অওনবনি, এদ্যুকেসন সেক্টরসু লমজেল য়াওজসনু, ঙল্লিখৈ চেনসনু। থম্মোয় শেংনা হোৎনবা কনবশিংগা লম্বা পাসনু অদুমকপু লমজেল অসিদা চপ মান্না য়াওহৌদ্রবদি খুন্নাই অসি  মনিং হন্দুনা চেন্থরক্কনি। ‘‘অচুম্বা’’ হায়বা ৱাহৈসি ইকায়দুনা মতোমতা লোৎখিবা তারে। মদুমক্তি ওইহনগুমসি। দেমোক্রেসিনি “Majority wins the vote” অদুমক ওইনসু মেজোরিটিসি ক্বালিটি য়াওবা মেজোরিটি ওইহনসি। খূৎ থেকপদা মশীং পাবা খূত্তা পুবগী মশীংদু ওইহনগুমসি...।●

---

# ইলেক্সনগী লান

## জেনরেল ইলেক্সন - এ/সী, ম্যুনিসিপালিটি, পঞ্চায়ট, দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল

- এম এস মঙাং -

লৈকায় অমদা, খুন অমদা, লম অমদা থেংনরিবা ইলেক্সনগী মতমদা ঐখোয়না ঙসি হায়বা পুংজাসিদগী খন্থহৌদ্রগদি অরুবা থিংবদা ৱারদবা অচৌবা মহিক অমা ঐখোয় ঐখোয়গী ঈ-তোংদা চঙলগনি, হান্নদগীসু খরা খরা চঙলগা লাক্লি। মহিক অসিনা মীওইবা ঐখোয়দা অমাঙবা কয়াম পীবগে হায়বসি নৈনফম থোক্লি। মহিক অসিদগী লাপথোকহৌদ্রবদি খুন্নাই অসি অরুবা সমুদ্রগী ঈরোলনুংদা খঙহৌদনা লুপখিবগুম্না লুপশিনখ্রগনি।

ইরমদম অসি কনবদা ঐখোয় খুদিংমক থৌদাং লৌমিন্নসি। ঈরৈবাক অসিদা ইলেক্সন লাকপা মতমদা কেন্দিদেট অমনা থেংনরিবা শেলগী লান অমুক্তং খন্থরগা য়েংমিন্নসি। শেলগী লানসি কনানা থেংনহনবগে, মসিগী মরমদা ঐখোয়না ঙাইহাক্তং খন্থসি/খন্থবদা অকায়বা কৈসু লৈরোই হায়না খল্লি। তংদু লৈতাদবা, লৈবাকসি মরা চেত্তবা, থৌদোক ৱাথোক্লা পিক থনবা, কাং খোং চাইরবা, অসিগুম্বা পূম্নমক্কী হৌরকফমগী অৱাবসে মীয়াম্না থেংনহনবনি হায়বদা অরানবা ওইগদ্রা? লৈকায় অমা, খুন অমা, মফম অমা ফহনবা হায়বসি ঐখোয়গী অচৌবা থৌদাংনি, সোসাইটি অসিগী অচৌবা থৌদাংনি।

ঐ ঐনা অফবা ৱাখল খল্লবা অফবা থবক তৌবগী ৱাখল চেল্লবা মতমদা খুন্নাই অমা অফবা মায়কৈদা পুরকপদা য়াম লায়না ঙমগনি, অরুম্বা পোৎলুমগুম ওইরোই। অমুক্তং য়েংসি ঐ অমা ফরবা, ঐগী ইমুংসু, ঐগী লৈকায়সু, ঐগী ইখুঙ্গংসু, অফবা লন্থীদা পুরক্লবা হোৎনবদা য়াম লুনা থোক্লোই।

ঐখোয় মশেল চপ মান্ননা অফবা ৱাখল খন্নরবা মতমদা চাওখৎপা লিংজেল মান্নবা তংদু লৈতানা লৈবা মফম অমা ওইহনবদা য়াম লায়না থোক্কনি। ঐখোয় মশেল অমদি মীয়াম্না ৱাখল তারবা মতমদা কেন্দিদেট অমনা থেংনরিবা শেলগী লানসি থেংনরমগদ্রা?

ইলেক্সন লাকপা মতমদা থেংনরিবা অৱাবা কয়াসি পল্লিকনা মায়োক্লহনবনি। কেন্দিদেটশিংদগী শেলগী লান থেংনরিবা অসিগী মরমদি, ঐ ঐগী খুদোং চানবগীদমক্তা লুপা খরা খরা পায়শিনবা/লৌশিনবা, চাথোকপীবা ময়ামসিনা থোকহনবনি অমদি পল্লিকনা শেল অনা সিকিদা মীতারুদবা থোক্লগদি ভোটতা শেল য়াম্না চঙলিবা ময়ামসি চঙলমদবসু য়াই। শেলগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবা অসি লৈরমদবসু য়াই। ইলেক্সনগী মতাংদা শেলগী লান লৈরমদবা ওইরগদি মীয়ামগী থবক থৌরম তৌবদা খুদোং চাবা য়াম্না হেনগনি। ঐখোয় মশেন অমত্তা ওইনা চপ মান্নরগা ঐখোয় মীয়ামগী অচৌবা থৌদাং চাউনা লৌবা ঙমগদবা মীয়ামগী মীহুৎ অমা থাগৎসি। মহাক অদুনা মীয়ামগী খল্লগা থবক তৌরক্লোইদবগী মরম লৈগদ্রা? কেন্দিদেট অমনা মীয়ামগী থবক্তি তৌনীংই অচৌবা থৌদাং লৌরগা।

ইলেক্সনগী মতমদা মীওই অমদা লুপা লিশীং ৫দগীনা লিশীং ১০ ফাওবা চাদিং তৌরে হায়না খল্লসি। এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অমদা লুপা ২৫০০০গী মীয়ামনি হায়না খল্লসি। অদু ওইরবদি 25000 x 6000 = 1.5E8 হায়বদি ক্রোর ১৫সি মেক্সিমমদা ইলেক্টেদ কেন্দিদেট অমনা কোল্লিবা এরিয়াদা ভোটকী মতমদা চাদিং তৌখিবনি। চঙিখ্রবা শেনফমশিং অসিনা মীয়ামগী দিভলপমেন্ট কয়া তৌরগদি কান্নবা ফংগদৌরিসি কনাগীনো? মসিগী মরক্তা লোকল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দ অমদি অতোপ্পা অহেনবা কয়া লৈ। মসি পূম্নমক ঐখোয় মীয়ামগী চাকথুং ঙাক্তনি। ঐখোয়না ফজনা লৌশিনবা হৈতবদগী খঙনা খঙনা মীৎ তাংবগা পাঙ্খক ওইনা লৈবা/হিংবা মরম্না লৈকায়, খুন, লৈবাক অমা চাওখৎপদা থিন্থহনবনি।

**ইলেক্সনগী কেন্দিদেট :**

ভোট লেপ্পগী কেন্দিদেট অমা ওইনা মীয়ামগী থৌগল য়াজগে, ওইজগে হায়না চোংথোরকখিবা মী অমনা মঙোন্দা লৈগদবা গুনসি চপ চানা খঙলগা অমদি নৈনরবা মতুংদা মীয়ামদা শাফোংলকপা ওইরগদি খুন্নাই অদুগীসু অচৌবা খুদোংচানীংঙাই ওইগনি লৌজৈ। কেন্দিদেট অমনা চেনগদবা গুনদি য়াম্না য়ামগনি অদুবু শল্লপ্পা খরসি নৈনফম থোকই মদুদি - ঐ ইশাসি মীয়াম পূম্নমক্কী অচৌবা থৌদাং পুবা ঙল্লদ্রা? মীয়ামগী মহুৎ শিল্লগা থবক তৌবা ঙমগদ্রা? মীয়াম্বু অমত্তা ওইনা চপ মান্ননা নুংশিবা ঙমগদ্রা? মসি পূম্নমক ঐখোয়বু শেন্থীবা মপুবু অকিবা লৈরগা মহাকপু চেৎনা থাগোন্নরগা, মীয়ামগী মীহুৎ ওইবা য়ারে খল্লগা থোক্লকপা ওইগদবনি। মসিগী ওন্ন-তৈনবদা শেল খরা পায়রে, মী অমনা তৌরে হায়না পংতৌ তৌবগী মওংদা কেন্দিদেট ওইনা চোংথোরকপা, মীয়াম্বু শেলনা লৈরগা ভোট কাগনি, পল্লিক্তা পংলাও লাওরগা নমথাক তৌরগা মীয়ামগী চাকথুং মৎনবা কেন্দিদেট কয়াসু লৈতবা নত্তে। মীয়াম তিনফমদা চীনগী লৈতেং ওইনা মীয়ামদা ওইদ-পাদবা কয়া ঙমসু ঙল্লোইদবা কয়া হায়জিল্লগা মীয়ামবু থাজহল্লগা কেন্দিদেটনি হায়না থোক্লকপা/চোঙথোরকপা, শেল খরা লৈরে, শেল খরা পায়রে হায়না কেন্দিদেট ওইনা থোক্লকপা/চোঙথোরকপা, মীয়াম্বু অপংবা শীরগা মীয়াম্বু শেল খরা পীরগা লৈবা য়াই হায়বগী ৱাখলসিসু লৈতবা নত্তে। লাইরিক লাইশু মতিক চানা হৈরে, মীয়াম্না য়ারে, ঐবু মীয়াম্না নুংশিবীরে, ঐ ময়ামগী মীহুৎ ওইবা য়ারে খল্লগা মীয়াম্না য়ারগা কেন্দিদেট ওইনা থোক্লকপা ওইরগদি ভোটতা শেল চঙলিবা ময়ামসি চঙহন্দবা য়াই।

**পল্লিক :**

লায়রবা, ইনাক খুনবা, মমা-মপা লৈতবা, মপুরোয়বা কায়নরবী, মীগা মীমান্নদ্রবশিং মফম অমদা লৈতবা য়াওদে লোয়না লৈনবা ঙাক্তনি। অৱাৎপনা থনবা শোত্থবা কয়াসু য়াওদবা নত্তে। অহাওবা চানীংদবা, ফজবা শেৎনীংদবা, ফজবা পামদবা, অচুম্বা চৎনীংদবা কনাসু লৈতে তাইবঙসিদা। অচুম্বা শাগৎপদি য়াম্না লাই, থুগাইবসু য়াম্না লাই। অচুম্বগী মখোঙসি ফজনা চেৎনা হৌগৎলবা অমদি শেমগৎ শাগৎলম্বা মতমদা সোসাইটি অসিদা অমাঙবা লৈগদ্রা? হিংলিবনি, লৈরিবনি হায়রগা পংহিং হিংবা, পংচা চাবা, ফত্তবা ময়াম লৈহন্নবা হোৎনরগদি সোসাইটি অসি নুংঙাইনা লৈবা ঙল্লোই। পল্লিকশিংনা ৱাখল ফজনা তারবা মতমদা ইলেক্সনদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবসি মায়োক্লরমদবা য়াই।

মণিপুর খুন্নাই অসিদা লৈরিবা মী খুদিংমক্লা অচুম্বা লন্থীদা হায়নবা তৌদনা অফবা লন্থীদা চৎনরবদি ইরৈবাকসি মরা চেৎনা ঈংনা লৈবা ঙমগনি। অচুম্বা লৈঙাকলোন, ঈং-চিক্লা পাল্লবদি অতোপ্পনা ঐখোয়গী ওইবা অচুম্বা লন্থী অমদি খোঙথাং খুদিংমক মীনা তম্নফম হায়বদো ওইগনি। মালেমদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্লা ঐখোয়গী অচুম্বশিং, ইরমদমগী অফবশিংদু তমহনসি। অফবা অচুম্বদা তম্নফম ওইহনসি মালেমদা লৈরিবা মী খুদিংমক্লা। অচুম্বা খোঙথাং অফবা লৈঙাকলোন ঐখোয় খুদিংমক্কী অচৌবা থৌদাংনি হায়না খনবীরগা ঈং তপ্পা পানবা লৈবাক অমা ওইহনবদা শরুক য়ামীন্নসি।

ইলেক্সন্দা মতম মাঙহনবা, খৎন-চৈনবা, ঈমু-নাইমু তাহনবা, খূৎপু শেন্নগা শাগৎনবা খূৎ থানবা, ইমুং-মনুংগী মীওইশিং ভোটনা মরম ওইরগা মীতোপকুম্না লৌনরকপা, মরী মতাশিং ভোটনা লাপ্নহনবা, মরুপ-মপাংশিং ভোটনা শাওনহনবা, লৈকায় মশেল ভোটনা নুংশিনহন্দবা, ভোটনা মী অমগা অমগা য়েক্লবনি খলহনবা, কান্নদবা ৱাহৈ কয়া হায়নবা, ঙাঙনবা লাউনবা পূম্নমক ঐগী পুন্সি খোঙচৎসিগী ফজনা খন্থরগা ঐ ঐগী অফবা তুং কোয়বা মাইন্দ কন্ট্রোলগী মখাদা হিংবা হায়বসিনা খুজিং ওইরগা অফবা লন্থী অমদা হিংমিন্নসি। লৈহল্লোইসি ভোটকী লান।●